# ক্রুস লৈরবসু সিরিয়ন কেপিটেলদা সেলশিং কাপখ্রে

দামাসকস, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ
ৱার্ল্ড পৱারশিংনা য়ানদুনা পুরকখিবা সিজ ফায়র চৎনবা হৌখিবা পুং খরগী মনুংদা ঙরাং সিরিয়ান কেপিটেল দামাসকসকী য়ুম-কৈশিং লৈবা মফম কয়াদা সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোক্লি।

মিলিটরি ছোর্স অমা পল্লদুনা সানানা হায়খি, দামাসকসকী নোংপোকলোমদা লৈবা মফম কয়াদগী টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা সেল কয়া কাপ্লকখি। তৌইগুম্বসুং ছোর্স অদুনা মীশি-মীনাগী পাউদি পীখিদে। মদু অহিং নোংয়াই চবুক্তা সিজফায়র হৌখিঙৈদগী কেপিটেলদা থোকখিবা অহানবা এটেক্নি হায়রি।

কেপিটেলদা সিক্যুরিটি ছোর্স অমনা এ এফ পিদা হায়খি মদুদি, অবাসায়ীন কৌবা য়ুম-কৈ ময়াম লৈবা মফম অমদা সেল কয়া কাপশিল্লকখিবা মতমদা মীশি-মীনা অমত্তা থোকখিদে।

মফমদুগী মীওই অমনা অয়ুক খরা থেংনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা সেলশিং কাপশিল্লকখি হায়না কনফর্ম তৌখি।

সিরিয়াগী আর্মদ ফোর্সেসনা "অসিগুম্বা এক্সনশিংগী মতুং তাবা ফল কয়া লাক্কনি" হায়না ৱার্নিং তৌখি অমসুং সিভিল্যানশিংদা লোকেল ওইনা শন্দাইনবদা মখা তানা কম্মিটমেন্ট থম্নবা অপিল তৌখি।

সানানা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, আর্মিনা মফমশিং অদুগী মীশিংদা সিরিয়াদা সিক্যুরিটি অমসুং তং-তাবগী ফীভম পুরক্নবা হোৎনরিবদু লেপহনদনবা টেররিষ্টশিংদা প্রেসর পীনবা অপিল তৌরি।

সিটিজন অয়াম্বনা অমগা-অমগা খুৎ থোক্নহনবা পামদে হায়বা আর্মিনা খঙবগা লোয়ননা টেররিষ্টশিংগী এটেক অদু হকচিন্না লৌখিদে হায়না সানানা ফোঙদোকখি।

মোনিটরিং গ্রুপ সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা সেন্ট্রেল দামাসকসতা ঙসি এটেক তৌবগী থৌদোক অমত্তা থোকখিদে হায়খি।

ঙসি লৈবাক অদুগী মফম খরদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু মরক মরক্তা ক্রুস থুগাইদুনা খুৎলাই শীজিন্নবা য়াওখি হায়না রেবেলশিংনা মরাল শীখিবগা লোয়ননা উংখৎনবগী ফীভম লৈ হায়রি।

সিজফায়র অদুদা জিহাদীষ্ট গ্রুপশিংদি য়াওদে। মথং থাদা চহী মঙা মপুং ফাগদৌরিবা সিরিয়াগী লাল অদুদা মীওই ২৭০,০০০ হেন্না শিখ্রবনি।

# অফঘানিস্তানগী এটেক ২ দা মীওই ২৫ শিখ্রে, পিছ তোক্তা অকায়বা পীবা য়াই হায়রি



কাবুল, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ
কেপিটেলদা চথখিবা অমা য়াওনা ঙরাং অফঘানিস্তানদা চথখিবা এটেক অনীদা মীওই ২৫ শিখিবগা লোয়ননা এটেকশিং অদুনা কাবুলনা মথং থাদা পাঙথোক্নবা শীন লাংলিবা পিছ তোক্তা টালিবানবু য়াওহন্নবা হোৎনরিবদুদা অকায়বা পীরকপা য়াই হায়রি।

ৱিটনেসশিং অমসুং ওফিসলশিংনা কাবুল সীটিগী ময়াই চবুকমক্তা লৈরিবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মনাক্তা সুইসাইদ বোম্মর অদুনা করম্না বোম পোকখায়হনখিবগে হায়বদু ফোঙদোকখি। ওফিসশিং থোঙ লোন্নখিবগা লোয়ননা চথখিবা এটেক অদু তুংদা টালিবাননা ক্লেম তৌখি।

"অফঘান লান্মী অনী য়াওনা পূন্না মীওই ১২ শিখি অমসুং নিপান শোকখি" হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। কাবুল পুলিসকী চীফ অব্দুল রহমন রাহিমিনা হান্না ফোঙদোকখিবদা এটেক অদুদা মীওই মাপন শিখি অমসুং ১৩ না শোকখি হায়খিবনি।

বোম্মর অদু মখোঙনা লাকখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন দাওলাট ৱাজিরিনা মখা তাখি।

"ঐহাক্না অশোকপা মীচমশিং অমসুং আর্মি পার্সনেল কাঙবুশিংসু উখি। মখোয়না মতেং পাংবীনবা হায়জখি তৌইগুম্বসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীচমশিংবু মখোয়দা মতেং পাংহনখিদে" হায়না থৌদোক অদুগী ৱিটনেস সরদার মহমদনা এ এফ পিদা হায়খি।

"মীশি-মীনা নংলিবশিং অয়াম্বনা সিভিল্যানশিং ওইখি" হায়না সালেহ মহমদ কৌবা অতোপ্পা মীওই অমনা হায়খি। "মীয়াম্না ময়ুম-ময়ুমদা হন্নবা মতমদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।"

পুলিস অমসুং আর্মিনা সিক্যুরিটি কোর্দন শেমদুনা মীশিং চঙহনখিদে অমসুং এম্বুলেন্সশিং বোম পোকখায়ফম অদুদা থৌজিন্নরকখি।

এনালিষ্টশিংনা মমাঙদা পীখিবা ওবজার্ভেসনশিংদা টালিবাননা কাবুলদা লৈরিবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টগা পিছ নিগোসিয়েসন পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা মখোয়গী পৱার উৎননবা কেপিটেলগী ময়াই চবুক্তা এটেক হেনগৎলক্নি হায়খিবনি।

ঙরাং অঙনবদা মোটোরসাইকল তোংবা সুইসাইদ বোম্মর অমনা ঈরাং লৈবা কুনার প্রোভিন্সকী কেপিটেল অসাদাবাদতা লৈবা কৈথেল অমদা মশাদা য়াওবা বোম পোকখায়হন্দুনা চথখিবা এটেক্তা মীওই ১৩ শিখি অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৩৯ শোকখি। এটেক অদু গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি অমসুং মদু লালহৌবশিংবু য়াম্না কন্না য়াদবা হাজি খান জান কৌবা ট্রাইবেল লীদর অমদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবনি হায়না প্রোভিন্সিল গভর্ণরগী স্পোক্সমেন অমসুং পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবনি।

মখোয়না শুপ্নগী মপানগী পৱারশিংনা শীজিন্নরিবা অফঘান লান্মীশিং অমসুং লান্দারকপা কাঙবুশিংনি হায়না খন্নবা নেটোগী ট্রুপশিংদমক টার্গেট তৌই হায়রদুনা টালিবাননা মহৌশানা মীচম মশীং য়াম্না মীশি-মীনা শোক পনবা য়াওবা থৌদোকশিংদি ক্লেম তৌদে হায়রি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অদুবু নীকহল্লিবা মীশি-মীনাগী থৌদোকশিংদা মীচম কয়া শিরি। কুমজা ২০১৫ দা শিখিবা নৎত্রগা শোকখিবা মীচমশিংগী মশীং ২০০৯ গী মতুংদা খ্বাইদগী ৱাংখি।

থা অসিগী অঙনবদা ফোঙখিবা য়ু এনগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, কুমজা ২০১৫ দা মীচমশিংনা শিবা-শোকখিবগী মশীং পুন্না ১১,০০০ ওইখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৩,৫৪৫ শিখ্রগা অতৈনা শোকখিবনি।

# রিফোর্মিষ্ট কেন্দিদেটশিংনা সীট অয়াম্বা ফংখ্রে



টেহরান, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ
"মীয়াম্না অমুক হন্না মখোয়গী পৱার উৎখ্রে অমসুং মীখলদা মায় পাক্তুনা শেম্বা গভর্ণমেন্টদা থাজবা হেন্না থমখ্রে অমসুং পাঙ্গল হাপখ্রে" হায়না ইরানিয়ন প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা হায়খ্রে।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ঙসি অঙনবদা থাদোকপা অহানবগী মীখলগী ফলশিংগী মতুং ইন্না, রিফোর্মিষ্ট কেন্দিদেটশিংনা ইরানগী ইলেক্সনদা কেপিটেল টেহরানগী পার্লিয়ামেন্টরি সীট ৩০ মক ফংখিবা য়ানা লৈরে।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইরানিয়ন মিলিয়ন কয়ানা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং এসেমব্লি ওফ এক্সপার্টসকী মীখলশিংদা ভোট থাদনখি। মীখলগী অরোইবা রিজল্টশিং লাক্লিবা নুমিৎ খরনিসিদা ফংলগনি হায়রি। এসেমব্লি ওফ এক্সপার্টস হায়রিবা বোদি অসিনা ইরানগী মথংগী সুপ্রিম লীদর খনগদৌরিবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা থাদোকপা অহানবগী ভোট মশীং থিবগী রিজল্টশিংগী মতুং ইন্না, টেহরানদা মরু ওইবা কনজার্ভেটিভ কেন্দিদেট খোলা-মালি হাদাদ অদেল মহাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি সীট কনবা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লৈখ্রে।

ইরানিয়ন প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা ভোট ওফ কনফিদেন্সতা মায় পাকখি অমসুং মীখলগী অঙনবা রিজল্টশিংদা পার্লিয়ামেন্টদা রিফোর্মিষ্ট পার্টনরশিংনা সীট মশীং কয়া ফংখি। মীখল অদুনা চহী কয়া মালেমগী লৈবাকশিংনা নাইতোম তাহন্দুনা থল্লকখিবা ইস্লামিক রিপব্লিক অদুবু মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা নৌনা মতিং ফুদোকহনবদা মতেং পাংলগনি হায়রি। হৌজিক হৌজিক সীট ২৯০ লৈবা পার্লিয়ামেন্টবু দোমিনেট তৌরিবা এন্টি ৱেষ্টর্ন ওইবা হকচিনবা কাঙবুশিংনা মীখলদা মায়থীবা নংদুনা শোন্থরকপা তারবদি প্রসিদেন্ট রৌহানিনা হৌখিবা চহীগী শীংথানিংঙাই ওইরবা ন্যুক্লিয়র দিল অদুগী মতাংদা ইরানবু মখা তানা মীরৈবাক্না ললোন ইতিক্কী মরী ফগৎহনবা ঙম্বগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা মীরৈবাক্কী শেলয়ামশিং লাকহনবা ঙমহল্লগনি হায়রি।

"মীখল অদুদা মীয়াম্না মখোয়গী পৱার উৎতুনা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টদা পাঙ্গল হাপখ্রে" হায়না ফোঙদোক্লদুনা প্রসিদেন্ট রৌহানিনা হায়খি, ইন্দষ্ট্রিগী লম্‌দা খুমাঙ চাউশিল্লবা, মপানদা থাউ থাদোক্তুনা শেল মরাং কাইনা লাক্লবা লৈবাক অদুগী তুংগীদমক্তা মহাক্না মীখলদা মায় পাক্লকপা খুদিংমক্কা থবক তৌমিন্নগনি।

মীওই মিলিয়ন ৮০ লৈবা মীশীংগী চাদা ৬০ রোমনা চহী ৩০ গী মখাদা লৈবা অথিংবা অয়াম্বা লৌথোকখ্রবা মতুংদা মালেমগা থেংননীংবগী ৱাখলনা থুম্মৎলবা নহাশিং ওইরিবা ইরানগীদমক্তদি মীখল অদু অরোনবা পুরক্কবগী তাঞ্জা অমনি হায়না এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

# চাইনানা থবক্তগী পোত্থাবগী চহী হেনগৎহল্লগনি

বৈজিং, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ
অহল ওইরবা মীওইশিং মশীং হেনগৎলকপদগী লাকপা প্রেসর কোমথোকহন্নবগী পান্দমদা চাইনানা কুমজা ২০১৭ তা থবক্তগী পোত্থাবগী মতম হেনগৎহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

"থৌরাং অদু চহী মঙাগী ট্রাঞ্জিসনগী মতম লোইরবা মতুং কুমজা ২০২২ দা থবক্তা ওন্থোক্লবা য়াই" হায়না হ্যুমেন রিছোর্সেস এন্দ সোসিয়ল মিনিষ্ট্রিদা রিছার্চর অমা ওইরিবা জিন ৱৈগাংনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

ৱার্কফোর্স হস্থরকপনা লৈবাক অদুগী লেবর মার্কেট অমসুং পেন্সন সিষ্টেমদা চৈথেং পীরকপদগী গভর্ণমেন্টনা থবক্তগী পোত্থাবগী মতম থিন্থনবা শেম-শারি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ সার্ভিসকী রিপোর্টনা হায়খি।

চহী ১৬-৬০ গী মীওইশিংগী মশীং কুমজা ২০১৫ দা মিলিয়ন ৪.৮৭ হস্থরক্তুনা মিলিয়ন ৯১১ দা লৈখিবগা লোয়ননা মদু থংন থংননা মরিরকশুবা হস্থরকপগী চহীনি হায়বসি ওফিসল দাটাদগী খঙবা ঙম্লে হায়রি।

হ্বাইট কোল্লর ৱার্করশিংগী ওইনা চাইনাগী থবক্তগী পোত্থাবগী মতম নুপাগী ওইনা চহী ৬০ নি অদুগা নুপীগীনা চহী ৫৫ নি অমসুং নুপী ব্লু কোল্লর ইমপ্লোয়ীশিংগী ওইনা চহী ৫০ নি হায়রি।

# ইরাককী ফোর্সেসনা আই এসকী এটেক মায় পাকহনখিদ্রে

বাঘদাদ, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ
ইরাককী সীটি বাঘদাদকী নোংচুপ থংবা সবার্ব অবু গরাইবদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা চথরকখিবা এটেক অমা ইরাককী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মায় পাকহনখিদ্রে।

পুলিস ওফিসর অনীগী ৱারোলগী মতুং ইন্না, সুইসাইদ কার বোম্মর অহুমনা সিক্যুরিটি ফোর্সকী বেরেক অমদা এটেক তৌরকখি। লোয়ননা গনমেন খরনসু নোংমৈ কাপশিল্লকখি। থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা গভর্ণমেন্ট অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সকী মীওই ৮ শিখি অমসুং ২২ না শোকখি। এটেক অদুদা সিলো অমসু মৈ চাকখি হায়না পুলিস ওফিসারশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

মেদিকেল ওফিসল অমনা থৌদোক অদুদা শিখিবা অমসুং শোকখিবা মীগী মশীং কনফর্ম তৌখি। পাউ অদু ফোঙবগী অয়াবা পীদবা মরম্না ওফিসলশিং অদুনা মখোয়গী মশক মমিংদি তাকথোকখিদে।

ৱেষ্টর্ন বাঘদাদতা চথরিবা মিলিটরি ওফিসলশিংগী কম্মান্দর ওইরিবা মেজর জেনরেল সাদ হর্বিয়ানা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ওইরক্লিবা ফীভমশিং ওথোরিটিশিংনা কন্ট্রোল তৌরে অমসুং মফমদুদা কর্ফিয়ু থমখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

দাউনটাউন বাঘদাদতগী কিলোমিটর ২৯ রোম লাপ্পা লৈবা অবু গরাইব অসি কুমজা ২০০৩ দা য়ু এসনা লান্দাখিবা মতুংদা ইরাক্কী দিটেনীশিংবু য়ু এসকী ট্রুপশিংনা ওৎ-নৈখিবগীদমক্তা মমিং চৎখিবা অবু গরাইব প্রিজন লৈবা মফমনি। মদু বাঘদাদ অমসুং আই এস গ্রুপনা কন্ট্রোল তৌবা ফালুজাগী ময়াই চবুক্তা লৈবা সবার্বনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী কালেন থাদা এক্সট্রিমিষ্টশিংনা নোর্দন অমসুং ৱেষ্টর্ন ইরাকতা থোমজিন্দুনা এটেক তৌখিবা মতমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা আই এসকী মিলিটেন্টশিংগী মখুৎতগী অবু গরাইবপু কনখি।

# অনৌবা সেন্সস্তা জপানগী মীশীং হস্থরক্লে

টোকিয়ো, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ
জপানগী অনৌবা মীকোক থিবগী ফিগরশিংনা লৈবাক অসিগী মীশীং হৌখিবা চহী ৫ অসিদা মিলিয়ন ১ রোম হস্থখি হায়বা উৎখ্রে অমসুং মদু কুমজা ১৯২০ দগী ইহান হানবা ওইনা মীকোক থিবদা মশীং হস্থরম্বনি হায়রি।

হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদা লৈবাক অসিগী মীশীং মিলিয়ন ১২৭.১ ওইদুনা মমাঙগী মীকোক থিবদগী চাদা ০.৭ হস্থখি। জপানদা অঙাং পোকপগী চাং হস্থরকপা অমসুং লৈবাক অদুদা মীরমদগী মীশিং চঙলকপসু হস্থরকখিবগা লোয়ননা দেমোগ্রাফরশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈবাক অদুগী মীশীং হস্থরক্কনি হায়না মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রবনি। জপানদা চহী য়াম্বা মীগী মশীং খোঙজেল থুনা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী চাউখৎপগী খোঙজেলদা অকায়বা পীখি অমসুং অনা-লায়েংগী চাদিং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা পোকহনখি।

# দোনাল্ড ত্রম্পনা ইন্দিয়াবু অমেরিকান জোবশিং মুল্লি হায়না মরাল শীখ্রে

কলম্বীয়া, ফেব্রুৱারী ২৮ ঃ
ৱাথোক ওইগদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্কনবা রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিয়ল ফ্রন্টরন্নর দোনাল্ড ত্রম্পনা ঙসি ইন্দিয়া অমসুং চাইনা য়াওনা লৈবাক কয়াবু অমেরিকানশিংগী থবকশিং লৌথোকই নৎত্রগা মুল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে অমসুং মহাক্না মীখলদা মায় পাকপা তারবদি অমেরিকানশিংগী মখুৎতগী মাঙখিবা থবকশিং অদু অমুক হন্না পুরক্কনি হায়খ্রে।

"সুপর টুইজদে"গী সোদাউনগী মাঙওইননা মহাক্কী খোঙফম চেকশিন্নবা হোৎনরদুনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।



হৌখিবা চহীগী কালেনগী মতমদা পোলিটিসিয়ন অমা ওইরকখিবা মশাগী চহী ৬৯ শুরবা রিয়েল ইষ্টেট টাইকুন অসিনা অমেরিকাগী চৎলু চৎলুবা মফম খুদিংমক্তা মীওই লিশিং লিশিংগী পুক্লিং চিংশিনখি। মহাক্না ষ্টেট ১১মক্কী রিপব্লিকান প্রাইমারিদা মায় পাক্তুনা সুপর টুইজদেদা "দিল অদু লোইশিনবা ঙম্লগনি" হায়না থাজরি। সুপর টুইজদে হায়রিবসি প্রসিদেন্সিয়ল প্রাইমারি সিজন অমদা লৈগদরা ষ্টেট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না প্রাইমারি মীখল পাঙথোকপা লৈবাকপোকপা নুমিৎ অমা নৎত্রগা অমদগী হেনববুনি।

য়ু এসকী প্রাইমারি ইলেক্সনগী ষ্টেন্দার্দদা অচৌবা অমনি হায়বা য়ারবা মওংদা কলম্বীয়াগী এয়রপোর্ট অমগী হেঙ্গরদা তিনখিবা চাউরাক্না মীওই ৫০০০ রোমদা ৱা ঙাঙলদুনা ত্রম্পনা ইন্দিয়া, চাইনা, জপান অমসুং মেক্সিকোগুম্বা লৈবাকশিংদগী অমেরিকাশিংগী থবকশিং অমুক হন্না পুরক্তুনা "অমেরিকাবু অমুক হন্না অচৌবা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবা" হায়বা মঙলান অদু নীংশিংখি। মহাক্না য়ু এস মেক্সিকো বোর্দরদা ৱাল খাগৎকনি, আই এস আই এসপু মপুং ফানা মায়থীবা পীগনি অমসুং ওবামানা তৌরম্বা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইদবা থবকশিং মুখৎতুনা অফবা থবকশিংনা মহুৎ শীনগনি হায়না মীটিন অদুদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না অচেৎপা থাজবা পীদুনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম খুদিংমক্তা মীয়াম্না হরাউবা ফোঙদোক্লদুনা "য়ু এস এ, য়ু এস এ" অমসুং "ত্রম্প, ত্রম্প" হায়না লাউখি।

ত্রম্পনা ইন্দিয়াবু য়ু এসতগী থবকশিং মুনখি হায়না মহাক্না থাজবা লৈবাকশিংগী লিষ্টতা য়াওহনখিবনি। মহাক্না চাইনা, জপান অমসুং মেক্সিকো অমসুং মরক মরক্তা ভিয়েটনামবু অমেরিকান জোবশিং লৌথোকই হায়না তৎতনা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

# EMPLOYMENT NEWS

## OSSC Recruitment 2016 for 106 Vital Statistics Clerk Posts

Odisha Staff Selection Commission (OSSC) invited applications for 106 Vital Statistics Clerk Posts. The eligible candidates can apply to the post through the prescribed format on or before 24 March 2016.

Notification details
Notification No. : IIE-9/2016/628/OSSC
Important Date:
Starting Date for Submission of Application: 25 February 2016
Last Date of Submission of Application: 24 March 2016
OSSC Vacancy Details
Total Number of Posts: 106
Name of the Posts: Vital Statistics Clerk
Eligibility Criteria for Vital Statistics Clerk Posts
Educational Qualification: 10+2 pass with knowledge in Basic Computer Skill. Passed Odia equivalent to ME standard.
Age Limit for Vital Statistics Clerk Posts: 21-32 years
How to Apply for the OSSC Vital Statistics Clerk Posts 2016
Eligible candidates can apply to the post through the prescribed format and send the applications along with other necessary documents so as to reach on or before **24 March 2016.**
Application Fees for OSSC Vital Statistics Clerk Posts
Gen & OBC : Rs 100
SC/ST: NIL
Admit Card for OSSC Vital Statistics Clerk Posts
Details in this regard can be found from the official website

## West Bengal Co-Operative Service Commission (WEBCSC)

West Bengal Co-Operative Service Commission (WEBCSC) invited applications for 23 Assistant & Other Posts. The eligible candidates can apply to the post through the prescribed format on or before 25 March 2016.

Notification details
Notification No. : 01/2016
Important Date:
Last Date of Submission of Application: 25 March 2016
WEBCSC Vacancy Details

| | |
|---|---|
| Field Supervisor | : 04 |
| Assistant Gr. III | : 08 |
| Supervisor Gr. III | : 01 |
| Assistant-cum-Cashier-cum-Teller Grade III | : 01 |
| Clerk | : 04 |
| Cashier | : 01 |
| Junior Assistant | : 02 |
| Clerk-cum-Cashier (Computer Assistant-cum-Cashier) Gr. II-cum-Field Assistant | : 02 |

Eligibility Criteria for Assistant & Other Posts
Educational Qualification: Graduate in any discipline + BCK. Must have Bengali as 1st/ 2nd Language in the 10th /12th Standard Examination. If any Applicant does not have Bengali as 1st/2nd Language in the 10th /12th Standard Examination, he/she will have to appear in a Bengali Proficiency Test at the time of Interview/ Viva Voce Test.
Age Limit for Assistant & Other Posts: 18-40 years
How to Apply for the WEBCSC Assistant & Other Posts 2016
Eligible candidates can apply to the post through the prescribed format and send the applications along with other necessary documents so as to reach on or before **25 March 2016.**
Application Fees for WEBCSC Assistant & Other Posts
Gen & OBC : Rs 160
SC/ST : Rs 20
Admit Card for WEBCSC Assistant & Other Posts
Details in this regard can be found from the official website.

## ANGRAU Recruitment 2016 for 09 Teaching Associates Post

Acharya N G Ranga Agricultural University (ANGRAU ) invited eligible candidates for walk-in-interview for 09 posts of Teaching Associates.Eligible and interested candidates can attend walk-in-interview along with required copies of documents on 15 & 16 March 2016.

Notification Detail
Memo. No.: 5126 / H.Sc / AI / 2015 – 16
Important Date:
Date of advertisement: 12 February 2016
Date of walk-in-interview: 15 & 16 March 2016
Acharya N G Ranga Agricultural University Guntur Vacancy Details
Teaching Associates – 9 posts
Eligibility Criteria for Teaching Associates Job 2016
Educational Qualification
Department of Resource Management & Consumer Sciences: Should possess a Master's degree in Resource Management & Consumer Sciences / Family Resource Management.
Department of Human Development & Family Studies: Should possess a Master's degree in Human Development & Family Studies / Child Development.
Department of Home Science Extension & Communication Management: Should possess a Master's degree in Home Science Extension & Communication Management / Extension Education.
Department of Apparel & Textiles: Should possess a Master's degree in Apparel & Textiles / Textiles and Clothing / Fashion Technology.
Department of Foods & Nutrition: Should possess a Master's degree in Foods & Nutrition.
Department of Computers Science at College of Home Science: Should possess a Master's degree in Computer Sciences / M. Tech Computers / MCA along with Diploma / Certificate Course in CAD and Multimedia.
How to Apply for Acharya N G Ranga Agricultural University Guntur Teaching Associates Posts 2016
Eligible and Interested candidates can attend walk-in-interview along with required copies of documents on **15 & 16 March 2016** at College of Home Science, Chinmaya Bala Nivas, D. No: 238, SVN Colony, Guntur.


ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

HSLCE - 2016 MOCK TEST RESULT

| ENGLISH | |
|---|---|
| Selina K (Nirmalabas) | - 76 |
| Sohana L (Nirmalabas) | - 75 |
| Ningthem H (St. Joseph) | - 72 |
| Chetanna RK (Nirmalabas) | - 71 |
| Dellivia L (Nirmalabas) | - 71 |
| Krisnakant (St. John E/S) | - 70 |
| Kh. Jabir (Antartic E/S) | - 70 |
| Sindia A (Nirmalabas) | - 69 |
| N. Suzanna (Nirmalabas) | - 69 |
| Ph. Bond (Little Bird) | - 69 |

| MATHS | |
|---|---|
| Rainson P (St. Joseph) | - 80 |
| Sylvest K (Tiny Tots) | - 80 |
| Sohana L (Nirmalabas) | - 79 |
| Kh. Asharia (Christ Jyoti) | - 78 |
| N. Suzanna (Nirmalabas) | - 77 |
| Md. Imran (Guru Nanak) | - 76 |
| Ningthem H (St. Joseph) | - 75 |
| Sindia A (Nirmalabas) | - 75 |
| Dellivia L (Nirmalabas) | - 72 |

| OPTIONAL | |
|---|---|
| Sohana L (Nirmalabas) | - 80 |
| Rainson P (St. Joseph) | - 79 |
| Th. Krishnakant (St. John) | - 78 |
| N. Suzanna (Nirmalabas) | - 78 |
| Yaisana A (Nirmalabas) | - 78 |
| Sindia A (Nirmalabas) | - 77 |
| Ningthem H (St. Joseph) | - 74 |
| Joyson Haokip (Heritage) | - 74 |
| Kh. Asharia (Christ Jyoti) | - 73 |
| Vipinchandra (Trinity PS) | - 73 |
| Sandeep Th (Tiny Tots) | - 73 |

| SCIENCE | |
|---|---|
| Sindia A (Nirmalabas) | - 64 |
| Ningthem H (St. Joseph) | - 63 |
| Sohana L (Nirmalabas) | - 63 |
| Ph. Bond (Little Bird) | - 62 |
| Joyson H (Heritage) | - 60 |
| Chetanna RK (Nirmalabas) | - 59 |

| MIL/ADDL. ENG. | |
|---|---|
| N. Suzanna (Nirmalabas) | - 68 |
| BS Khilahring (Angam MS) | - 66 |
| I. Nongdamba (S.C.M.) | - 65 |
| Joyson Haokip (Heritage) | - 64 |
| Sindia A (Nirmalabas) | - 64 |
| L. Sohana (Nirmalabas) | - 64 |
| S. Daina (St. Xavier) | - 64 |
| Sh.Bikesh (Wangoo H/S) | - 64 |
| Ph. Bond (Little Bird) | - 64 |

| SOCIAL SCIENCE | |
|---|---|
| Ph. Bond (Little Bird) | - 73 |
| N. Suzanna (Nirmalabas) | - 70 |
| Taniya G (Catholic Sc) | - 69 |
| Sindia A (Nirmalabas) | - 69 |
| Rainson P (St. Joseph) | - 68 |
| Ningthem H (St. Joseph) | - 68 |
| Md. Jasir (Little Master) | - 68 |
| Sohana L (Nirmalabas) | - 67 |
| I Nongdamba (S.C.M.) | - 66 |

OVERALL RANK HOLDERS

| Rank | Name of Students | School | Marks | P.C. |
|---|---|---|---|---|
| 1st | Sohana L | Nirmalabas | 428 | 89.20 |
| 2nd | Sindia A | Nirmalabas | 418 | 87.08 |
| 3rd | Ningthem H | St. Joseph | 411 | 85.62 |
| 4th | Rainson P | St. Joseph | 409 | 85.20 |
| 5th | Ph. Bond | Little Bird | 403 | 83.95 |

:-9856988840 / 9863265726

*Wish you all the Angels, the best performance*

HL-B/2893/12/01-10/03(Alt)

